# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




য়াইরিপোক্তা লৈবা য়ুনিভর্সেল কোলেজ ওফ নর্সিংগী অহুমশুবা বেটচকী বি এস নর্সিং ফর্স্ট সেমিষ্টর (২০২৫-২৬) গী মহৈরোয়শিংগী লেম্প লাইটিং অমসুং ওথ টেক্কিংগী থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবশিং


লৌশিং পূক্কে : অঙাং পোক্লকপা মতমদা... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ইরিল তুরেল মপালগী হঙ্গাম য়েলা

ঐখোয় পূনশিনবা মতম ওইদ্রিবরা? ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ উল্লাস স্কিম অসি মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা সেন্ত্রেল...

লাইরিক, ওফিসল রেকোর্দশিংদা বৃটিশকী... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেল...


মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না শীন্দুনা তাকয়েলগী দীফ এন্দ ম্যুট স্কুলদা পাঙথোকপা মালেমগী পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ নুমিৎকী থৌরমদা মেম্বর সেক্রেটরি অলেক মুইভানা মহৈরোয়শিংদা খুদোল তম্বা




Vol. 49, Issue No. 242 | থাংজ, পোইনুগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, December 06, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# ৱারোই চীংদা হঞ্জিলহল্লবা আই দি পিশিং আর্মিনা চেকশিন্না ঙাক শেলহৌরি, পাউমী ফাওবা চঙবদা এন্ত্রি তৌহল্লকখি

**পোৎ-চৈদি থোইনা মাঙলমদে অদুবু য়ূমদি য়ূম মাল্লমদ্রে - প্রেমিন্দ্র**

**ফক্লাং লোইনা কিন্থরল্লে, লোয়জরম্বা শা-উচেকশিং লৈরমদ্রে - চাওরেনখোম্বা**

**ইমুংগী পোৎ-চৈ খরা লৌথোকখিবা য়াওরল্লে - থাসনা**

অল্কা থোকচোম



লৈমপোকপম প্রেমিন্দ্র



অঙোম চাওরেনখোম্বা



লৈচোম্বম থাসনা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :** রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংবু মণিপুর লৈঙাক্না চহীসিগী হৌখিবা জুলাই থাদগী হৌরগা হৌজিক চৎলিবা অরোইবা থা দিসেম্বর অসিগী মনুংদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লগনি অমসুং রিলিফ কেম্প অমত্তা লৈহল্লরোই হায়না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না আই দি পিশিংনা হন্দক পাঙথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিবেল ফাওবা মখোয় হঞ্জিলহল্লবা মতুংদা পাঙথোকপীয়ু হায়খিবদা নত্তনা হৌজিকসু আই দি পিশিংবু ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লু হায়বগী খোঙজং থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা চঙশিনবা হৌরকপদগী ঙরাং লৈম্রাম হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা ইমুং ৬৪গী আই দি পি ২৫৭ হঞ্জিন্দুনা লৈহনখিবগী ফীভম পাউচে অসিনা ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে।

অয়ূক-নুংথিলদদি অঙানবা মতম ওইবনিনা অকি-অখং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দিসেম্বর লোইগদবা নুমিৎ মশীং য়ামশিল্লক্লে ঐখোয়বু য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো : আই দি পিশিং



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :** কোকোমিনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা থা অসিগী ১দগী হৌরক্লগা দিসেম্বর থাবুম চূপ্না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনগনি হায়দুনা চথুরকখিবা খোঙজংগী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতসু লম্বোইখোংনাংখোঙদা আই দি পিশিংনা দিমান্দ অসি তকশিল্লদুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী ইকৌদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা আই দি পি, এল বসন্ত মীতৈ অমসুং থ্বালতাবীদগী পি ঐচ বিক্রমজিৎ মৈতৈনা কোকোমিগী মখাদা খূৎয়েক পীদুনা গভর্ণরদা ঙসিসু অমুক হন্না অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লূপ খরনা মীয়াম্বু কিহন-খংহন্দুনা ঈং-তপ্পদা অয়েৎপা পীননবা হোৎনরে, 'অন-লোফুল ইলিমেন্ট' শিংগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্পীয়ু : চীফ সেক্রেটরি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনীট কুমার গোয়লনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা এন্টি-সোশল ইলিমেন্টশিংদা ৱার্নিং তৌরকপগা লোয়ননা ওর্গনাইজেশন খরনা লো ঙাক্না চৎলিবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংবু কিহন-খংহন্দুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পদা অয়েৎপা পীননবা হোৎনরে হায়বা খঙলে। অসিগুম্বা এন্টি-সোশল ইলিমেন্টশিং অসিগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা মাঙজৌননা থবক লৌখৎপা হৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীওই অমগী সেফটি অমসুং সিক্যুরিটিবু কিহন-খংহন্নবা নৎত্রগা খুদোংথীবা থোকহন্নবা হোৎনরকপগী থৌওং অসি ষ্টেট অমসুং মসিগী মীয়ামগী মায়োক্তা চথুরকপা থৌওংনি। ষ্টেটকী মায়কৈদগীদি লন্নাই মীওই, গ্রুপ নৎত্রগা ওর্গনাইজেশন নৎত্রগনা প্রোস্ক্রাইব নৎত্রগা অতৈ ওইরবসু অকনবা ৱাফম ফোঙদোকপা, চৈরাক পীগনি হায়রকপা নৎত্রগনা লোনা য়াবা মওংদা কলচরেল, ইকনোমিক নৎত্রগা আর্টিষ্টিক এক্টিভিটিশিংবু থিংবগী হক লৈতে। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেশনশিংনা অসিগুম্বা মখলগী কিহন-খংহনবা নৎত্রগনা পীসফুল কো-এগজিষ্টেন্সবু অয়েৎপা পীনবা হোৎনরক্লবদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## চহী ১০ শুরক্লবা ফাওবদা রেপিষ্ট চৈরাক পীদে হায়দুনা নুপীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী ৩১দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা ক্লাস ফাইভ তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমবু মতমদুদা ক্লাস টেন তমখিবা নুপামচা অমনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রবসু হৌজিক চহী ১০ ফারক্লবা ফাওবদা থৌদোক অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দ্রি হায়না খোইশাওনরবা নুপীশিংনা ঙসি তাকয়েলদা পেন্দবা খোঙচৎ চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুদা চেন্নখিবা নুপামচা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ভেননা থোম্বদা আই দি পি নুপীমচা ১ লৈখিদ্রে, ১ লায়কন্নরি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১১.০৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী টেজপুরদা লৈবা শক্সেস ইংলিস স্কুলদা তম্বী মহৈরোয় অনীনা সাইকল অমদা পূন্না তোংমিন্নদুনা লাকপদা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী পরিংগী শওম্বুংগী নমজোকলুং হায় স্কুল ময়াদা মারুটি ভেন এম এন-০১/এ কে-৩৫৭৮না মখোয় অনীবু পুল্লপ থোম্বদা শওম্বুংগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী সনাকৈথেল মীতৈ লৈকায়দগী আই দি পি নুপীমচা ঙাংবম সনাথোই, অপোকপা এন

**লৈখিদ্রবীগী ইমুংদা লৈঙাক্না লুপা লাখ ৫গী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে**

জি সোভা লায়কন্নবা নংদনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭



## নুপাগী হকচাং ১ লৈরল্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা পোরোম্পাৎ পি এসনা কোল্লিবা মিনুথোংগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মশাগী চহী ৩৫দগী ৪০ রোমগী ওইগদবা নুপা অমগী অশিবা হকচাং লৈরল্লে।

মীওই অসি ফুট ৫ মখায় রোম ৱাংই, কুল্লে কুচুনি, মশা পায় অদুবু মহাক মতৌ করম্না শিরল্লিবনো হায়বা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চহী ২০গী ফাদোক পীখ্রবা মীওই অমা অমুক্কসু কনভিক্সন পীরে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস):** ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাঙ ওক্টোবর ১২, ২০১৯গী নুংথিলদা পীক্লিবী নুপীমচা অনীবু নৌনা শাগৎপা য়ূম অমগী মনুংদা পুশিল্লগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা থৌদোক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## চুড়াচান্দপুরদগী নন-সূ সী কে এল এগী সী-ইন-সী ফারে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস):** য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনদবা চুড়াচান্দপুরদা বেজ তৌবা চিন-কুকি লিবরেশন আর্মি/য়ুনাইটেদ পিপলস লিবরেশন ফ্রন্ট (সী কে এল এ/য়ু পি এল এফ) কী মশানা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মিনিষ্টরনা পি এম জে এ ৱাইগী পীথোকফম থোকপা শেনফম ফোঙদোরকখিদ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১দগী চথুরক্লিবা লোক সভাগী ঙসি মঙানি

**লোক সভাদা এম পি বিমোল অকোইজমগী ৱাহংগী পাউখুম**

চনবা নুমিৎতা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম য়াওনা পূন্না মেম্বর ৩না আয়ুসমান ভারত-পি এম জে এ ৱাইগী মতাংদা ৱাহংশিং হংলদুনা মমাঙ থাগী ১ ফাওবদা স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী ওইনা রি-এম্বর্সমেন্ট তৌগদবা অপূনবা শেনফম কয়ানো অমসুং ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা তৌদ্রিবনা কয়ানো হংলুবদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর প্রটাপ রাও যাদবনা পাউখুম পীরকখ্রবসু হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবদা পীথোকফম থোকপা স্কিম অসিগী শেনফমদি ফোঙদোরকখিদ্রে।

অদুম ওইনমক ষ্টেট মনুংদা লৈবা হোস্পিটালশিংগীনা ক্লেম সবমিশন তৌরক্লবা মতুং নুমিৎ ১৫নিদা পীথোক্কদবনি অদুগা ষ্টেটকী ৱাংমদা লৈবা হোস্পিটালশিংগীনা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পীগদবনি হায়বা ৱাফমশিং স্কিম অসিগী গাইদলাইনদা য়াওই হায়বা ৱাফম খক্তং পাউখুম্লকখ্রে।

## হুইয়েন লানপাউগী কলমনিষ্ট নরেন্দ্র নিঙোম্বা ১সুং রঞ্জিৎ নিংথৌজা য়াওনা মীওই ৬৯দা ষ্টেট কলা একাদেমিনা নমশিন্দুনা থম্লকপা চহী ১গী য়াওনা এৱার্দশিং লান্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ফাইন আর্টসকী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লমগী আর্টিষ্টশিং অমসুং অইবশিংগীদমক অদুঙৈ কুমজা ১৯৭২দা লিংখৎখিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা লম্দগী খনগৎলবা মীওইশিংদা পীরক্লিবা একাদেমি অসিগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ য়াওনা অতৈ এৱার্দশিং অমসুং ফেলোনচিংবশিংবু হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী পীথোকফম থোক্লবসু পীথোকখিদবগা লোয়ননা মমাঙ চহী ২০২৪গী এৱার্দ অমসুং ফেলোশিং ঙসি অয়ূক জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা চীং লেল্লবা থৌরমদা একাদেমি অসিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা তোঙান-তোঙানবা মীওই ৬৯দা লান্থোকখ্রে।

চহী অনীগী য়াল্লবা এৱার্দ/ফেলোশিপশিং অসিবু লান্থোক্লদুনা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবদা একাদেমি অসি কুমজা ১৯৭২দা লিংখৎখিবদগী ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা শকখঙলবা আর্টিষ্ট অমসুং অইবশিংদা ফেলোশিপ অমসুং এৱার্দশিং পীরক্লি। ঙসি তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা লৌরকপা থৌদাংগীদমক মীওই ৬৯দা মনাশিং অসি লান্থোকপদা নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না য়ঙ টেলেন্ট এৱার্দ ফংলবা আর্টিষ্ট অমনা পূক্লিং হুরবা সোলো দান্স অমা উৎখি। থৌরম অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২





গভর্ণরনা নরেন্দ্র নিঙোম্বা (ওই) অমসুং রঞ্জিৎ নিংথৌজাদা এৱার্দশিং খূৎশিন্নবা




HL-B/11043/2,6,7,10